

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*মতম খরা শান্নবা লেপ্পুরবা মতুং জুন ১২ দগী হৌগদৌরিবা স্পেন টুরদা অমুক হন্না শান্নবা য়াওরগদবা হান্নগী ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম কেপ্টেন রানি রামপাল*

*ইন্দিয়াগী সুপর লীগকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা পুনে সিটি এফসিগী নৌনা হেদ কোচ ওইবগী থৌদাং লৌখ্রবা ব্রাজিল মচা মার্কোস পেক্কোটা*

## ঐগী ইরাল লৈতে, ঐনা থিংখ্রবা পোৎয়ান শিজিন্নখিবা লৈতে, প্রোভিজনেল সস্পেন্সন তৌবগীদমক থেংনগনিঃ সঞ্জিতা চনু

*ন্যু দিল্লি, জুন ০১ঃ*

এ ইরাল লৈতে, ঐনা থিংখ্রবা পোৎয়ান শিজিন্নখিবা লৈতে, ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসননা প্রোভিজনেল সস্পেন্সন তৌরকপগীদমক লৈবাক অসিগী নেসনেল ফেদরেসনগী মতেংগা লোয়ননা থেংনগনি হায়না মণিপুরদগী হৌখিবী ৱেঠলিফটর সঞ্জিতা চনুনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্মু ওইরগা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমস অদুদা শরুক য়াদুনা কেজি ৫৩গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। লোয়ননা কুমজা ২০১৪ গী গ্লাসগো কম্মনৱেল্থ গেমসতসু কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেডল লৌখিবী সঞ্জিতা চনুবু ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসন (আইদব্লিয়ুএফ) না দোপ টেষ্ট তৌবদা থিংখ্রবা পোৎয়ান টেষ্টোষ্টেরোন য়াওরম্মী হায়দুনা ঙরাং প্রোভিজনেল ওইনা অথিংবা অসি থম্লকপনি।

সঞ্জিতা চনুনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হায়রিবা টেষ্ট অসি হৌখিবা চহীগী নবেম্বর থাদা য়ুএসএগী সিটি অনাহেমদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মাঙওইননা লৌখিবনি। থা ৬ কী মতুংদা মহাক্কী দোপ টেষ্ট অদু ফেল ওইরে হায়না আইদব্লিয়ুএফনা ফোঙদোরকখিবনি।

ৱাফম অসিদা সঞ্জিতানা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মঙোন্দা পীরক্লিবা মরাল অসি মীনম্বনি, মহাক মরাল লৈতে হায়বগা লোয়ননা মঙোন্দা শিরক্লিবা মরালসিগী মায়োক্তা নেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসনগী মতেংগা লোয়ননা শীঙনগনি হায়না ঙসি সঞ্জিতানা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান ৱেঠলিফটিং ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী সহদেব যাদবনসু সঞ্জিতাবু শৌগৎলদুনা মহাক মরাল লৈতে হায়না অচেৎপা থাজবা থম্লকখি।

যাদবনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা করিগীদমক দোপ টেষ্ট তৌবদা মতম অসুক য়ামনা চঙহল্লিবনো। টেষ্ট অদুগী মতুংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়াদুনা ১৩শুবা পোজিসন তাখি অমদি গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেডল ফংখিবা মতমদসু ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্ত্রগা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্মু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকী শেম শারিঔ অসিদা খঙহৌদনা সঞ্জিতাবু টেষ্টষ্টেরোন পোজিটিভ ওইরে হায়রকপসিদা অঙকপা ফাওই হায়খি।

সঞ্জিতাগী 'বি' সেম্পল টেষ্ট তৌরবা মতুং অফবা উকিল নেক্সগা ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসনদা কেস হিয়ারিং তৌহনগনি হায়নসু যাদবনা মখা তাখি।

ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসননা প্রোভিজনেল সস্পেন্দ তৌখ্রবী সঞ্জিতা চনু 'বি' সেম্পলদসু পোজিটিভ ওইরম্লবদি চহী ৪ মশান্না অসিদগী অথিংবা থমগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি সঞ্জিতা চনু ইন্দিয়াগী স্পোর্টস স্কিম অমা ওইরিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়মগী ৱেঠলিফটরশিংগী মমিং লাওথোকপদা য়াওখ্রবা লিফটরনি।

লাক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল শোয়দনা ফংগনি হায়না অশা থম্লিবী লিফটরনি। অদুবু হৌজিক শিরক্লিবা মরাল অসিনা মরম ওইরগা মাগী তুংগী শান্নবগী কেরিয়রদা করি ওইগনি তম্বা ঙমদনা লৈরি।

সঞ্জিতাগী কেস অসিগী মমাঙ কুমজা ২০০৮ দা ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসননা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর ১২সু দোপ টেষ্টকা মরী লৈননা শান্নবা য়াহনখিদবনি।



*ৱেঠলিফটর সঞ্জিতা চনু (ফোটো–ফাইল)*

## কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিগী হেটট্রিকনা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মুম্বাই, জুন ০১ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্মু ওইরগা লৈবাক ৪ না শান্নবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপকী অহানবা মেটচতা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিগী হেটট্রিকনা ইন্দিয়ানা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনিজ তাইপৈনা শান্নখিবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপকী অহৌবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি।

শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মতম খরা টিম অনীনা মখা তানা লম্বা তৌনরকপদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকপা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা চাইনিজ তাইপৈবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট১১ রোমগী মতম অদুদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখ্রবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবগী ইকুই কুইদ্রিঔ মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুদা য়াওরিবা মণিপুরী মচা উদান্ত সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা চাইনিজ তাইপৈবু ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল ৩ শোখ্দুনা লৈরিবা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঔ শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মমাঙদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল অদু চন্দুনা চাইনিজ তাইপৈবু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ঙসি হেটট্রিক পাঞ্জল চনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মালেমগী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মনুংদা এক্টিভ ইন্টরনেসনেল গোল স্কোররগী লিষ্টতা ৩শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

অহানবা পোজিসনদা পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা গোল ৮১ দা অহানবা, আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিনা গোল ৬৪ চন্দুনা অনীশুবা, স্পেনগী শান্নরোই দেবিদ ভিলানা গোল ৫৯ চল্লগা অহুমশুবা অদুগা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিসু স্পেনগী দেবিদ ভিলাগা চপ মান্নবা পাঞ্জল ৫৯ চন্দুনা অহুমশুবা পোজিসনদা পুন্না তামিন্নরি।

শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা প্রোনে হাল্ডরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ৫–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২২ অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়ানা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা জুন ৪ দা কেনিয়াগা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অহুমশুবা মেটচ অদুনা জুন ৭ তা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগনি।



*হেটট্রিক চনখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুলিন ছেত্রি (ওই) না চাইনিজ তাইপৈগী গোল তম্না বোল কাওশিনবা*

## ওষ্ট্রেলিয়ানা জেক রিপব্লিকপু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইখ্রে, বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*পর্থ, জুন ০১ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্মু ওইরগা থা অসিগী ১৪ দগী হৌগদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা জেক রিপব্লিকপু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জেক রিপব্লিক্কী মেটচ অদুগী শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই মেথ্যু লেকিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপা মেটচকী মিনট ৫৩ চঙশিল্লকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই এন্দ্রিয়ু নাবেবোটনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। ৭২শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মেথ্যু লেকিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা জেক রিপব্লিকপু ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

৮০শুবা মিনটতা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই জাকুব জগাসনা শোয়বদগী চনশিজখিবা পাঞ্জলনা মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা জেক রিপব্লিকপু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

বোসনিয়া এন্দ হর্জেগাবিনাগী পাঞ্জল অহুমক টিম অদুগী শান্নরোই ইদিন ভিস্কানা (২৯, ৪৫ অমসুং ৮০) শুবা মিনটতা চনখি। সাউথ কোরিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই জে সুং লিনা চনবা ঙমখি।

## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া
## টিমশিংগী প্রোফাইল ২৯–৩০ (বেলজিয়ম, ইংলেন্দ)

### এল. কালা, উরিপোক

থাজবা মাঙলবদি করিসু আশা তৌনিংঙাই লৈতে নংঙোন্দা, নংঙোন্দা থাজবা থম্লিবনি, শান্নবদা নঙনা তৌথোরকপা ডরগা নংগী লৈবাক্কী সেলেক্টরনা, খনগৎলবনি নংবু খ্বাইদগী ফরে হায়না হন্দক্তি নঙনা হেল্লে পূম্নমক্তগীদি লৈবাকসিদা। লানঙম ফিরাল পজেং পায়দুনা মীংচৎ উরোং খিল্লমদুনা পুরকউ ফিফা ৱার্ল্ড কপ অশেংবা সনা গ্রাম ৪৯২৭ না শাবা মুর্ত্তি। খনগৎলবা ৩২ পূম্নমক থাজবা আশা চেৎনা শাগোন্নজরগা লাক্লি মাগী মাগী লৈবাক মীয়াম থাজবা মাঙহল্লোই হায়না ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া। রুশিয়াসু মঙাই য়ুম্মু ওইরে ৩২ নিগী মনুংদা চল্লবনিনা হন্দক্তি শোয়দনা খঙনগনি ১৯৬৬ দা অমুক্তং মরিশুবা তাখিবা নৎতনা য়াওরা পোরা য়াওরা পোরা তৌবদো হন্দক্তি তৌররোই হায়না মুক্তুনা লৈখ্রবনি। য়ুম্মু ওইনা থুংলরগনি পূম্নমক শেম শাদুনা লোইরবনি, মাগী মাগী পালি ফিকচরগী মতুংইন্না ৩২ মক চেম্পিয়ন ওইবদি য়ারোই, অমখক্তনি চেম্পিয়ন ওইগদবদি, অমখক খন্নবগীদমক্লি অশিন অরাংশিংনা কিক ফ্রেম পেনাল্টি কাওনহন্দুনা বিচার তৌদুনা থম্মোই কাইগে কাইয়ু, কাইরোই তোকউ, শান্নরিঔদা চন্নবা ঙম্নদবগী দন্দি ওইনা কাওনহল্লিবনি অমনদি কাদবা য়াদে হায়না। কয়াদা লুখ্রবা মচৎনো? অনোপ্পা হৈতবা অমত্তা য়াওদে, অহৈবা ঙাক্তনি লোইনমক অদুবু খেন্নবা অমখক্তি ময়ামসিগী মরক্তা হেন্না হৈবা তোমথিন ঙানবা অমা নৎত্রগা অনী য়াওরকপসিদনি ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা অঙকপা কয়া তৌথোরক্তু না মাগী লৈবাকপু আ... য়ৌহন্দুনা চিংশিল্লক্কদৌরিবসে। য়েংসি ৩২ গী মনুংদা য়াওরক্লিবা বেলজিয়ম অমসুং ইংলেন্দ করম্বা লৈবাক অদুগা করম্না ফুটবোল শান্নবগে হায়বদো।

অহানবদা বেলজিয়ম য়ুরোপ লৈবাকশিংগী মনুংদা য়াম্না পীকপা মণিপুরদগীদি খিতংচাওবা স্কৱার কিলোমিটর ৩০,৫২১ মুক্তা চাওবা কোষ্ট লাইননা ৬৬.৫ কিলোমিটর ওইবা মীশিংনা ১০,৪৪৯,৩৬১, পোপুলেসন বিলো দি পোর্ভটি লাইন ১৫.২ পার্সেন্ট, কোনুংনা ব্রুসেল্স, পৈশানা য়ুরো লোলনা ফ্লেমিস, ফ্রেন্স অমসুং জরমন লোল অহুমক ওফিসিয়েল ওইবা, ধর্ম্মনা রোমান কেথোলিক চাদা ৭৫, পূন্সি হিংবগী চাং ৭৯.৭৭, লাইরিক হৈবা ৯৯ পার্সেন্ট হ্যুমেন দিভেলপমেন্ট ইন্দেক্স রেঙ্ক ১৭, নিংতম্বা ওক্তোবর ৪, ১৮৩০, ৱার্ল্ড ৱার অহানবা অমসুং অনীশুবা মতমদা জর্মনিনা খুদুম চন্দুনা লৈখিবা বেলজিয়ম লৈবাক অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না চানরিবা প্রালাইন চৌকলেট অসি জিন নিয়ুহাউস কৌবা নিপা অমনা ব্রুসেল্সতা ১৯১২ দা পুথোকখিবনি অদুগা চহীদা চৌকলেট টোন ২২০,০০০ মপাল লৈবাক্তা থাদোকপা ঙমদুনা পৃথিবীদা চৌকলেট পুথোকপদা নম্বর ৱান ওইরিবনি।

য়াম্না পীকপা বেলজিয়ম হৌজিক্তি ফিফা রেঙ্কিংদা ৩ (অহুম) শুবদা লৈদুনা হন্দক ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ দি শোয়দনা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না ফুটবোল সুপর ষ্টার ময়াম য়াওদুনা হেদ কোচ স্পেনিস মচা রোবরটো মারটিনজনা মাগী প্লেয়ার রোমেলু লুকাকু, কেপ্টেন ইদেন হাজার্দ অমসুং অহৈবা দিফেন্দর টোবী অলদরৱিল্ড লোয়ননা গোলকিপর থিরেন্ত কৌরটোইস পূম্নমক্তা থাজবা থমদুনা অহানবা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগীদমক গ্রুপ জিদা পানামা, টুনিসিয়া, ইংলেন্দ শান্ননবগী লাল্লোং পূম্নমক য়াৎতুনা শেম্বা শাবা লোইদুনা তাং ১৮।৬।২০১৮ ঙাইবদা ৱারে।

ইংলেন্দঃ– য়ুনাইটেদ কিংদম ওফ গ্রেট বৃটেন লৈবাক মরিনা পুল্লগা শেম্বা খ্বাইদগী চাওবা আইলেন্দ লৈবাকসি ইংলেন্দনি। মথংদা আইয়রলেন্দদগী মচেৎ ওইনা কোনশিল্লিবা নোর্দন আসরলেন্দনি। ৱেল্স, স্কোটলেন্দ য়ুনাইটেদ কিংদম শেম্বদা য়াওবা লৈবাকশিংনি। কোনুংদি লন্দন ওই। ইংলেন্দ লৈবাক অনৌবা য়ুগকী মীওইবনা খুন্দা লৈতাবা অহানবা লৈবাক্লি হায়রিবনি। সেক্সপিয়র পোকপগী চাওথোকচৈ। পৃথিবীদা শান্নরিবা ফুটবোলগী 'লোজ ওফ গেম' অহানবা শেমদুনা ১৮৭২ দা পৃথিবীনা য়ান্নরবা অহানবা ফুটবোল কম্পিটিসন এফএ কপ পাঙথোকপদা স্কোটলেন্দগা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নখিবা লৈবাক্লি। পৃথিবীদা খ্বাইদগী লিরবা ইংলেন্দ ফুটবোল এসোসিয়েসন ওক্তোবর ২৬, ১৮৬৩ দা লিংখৎতুনা ফিফা এফিলেশন ১৯০৬ দা ফংদুনা মেম্বর ওইখি। ফুটবোল শান্নবগী চৎন–পথাপ শেম্বা হৌদোকখিবা ইংলেন্দ লৈবাক ফিফা ৱার্ল্ড কপ ১৪ রক য়াওবা ফংখিবদা ১৯৬৬ তা চেম্পিয়ন ওইরগা ১৯৯০ দা অমুকখক মরিশুবা তাখিবা নৎতনা মীয়াম্নদি ফুটবোল হৈ হায়না হায়নরবসু পান্নরবসু ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তুদি সেমি ফাইনেল তোইনা য়ৌবা ঙমদবা লৈবাক অমা ওইনা লাক্লি। মতম অমগী বোবী চলটন, বোবী মুর গেরী লেনিকর ষ্টার প্লেয়ার পোকখিবা হৌজিক্কা রুনী অকনবা ওইরিবা ইংলেন্দগা গ্রুপ অসিদা বেলজিয়মগা শান্নবদা করম্বা মওংগী লাল্লোং কোচ গারেঠ দৌঠগেটনা শেমদুনা শান্নবগে হায়বদু য়েংবনা মরু ওইবা মেটচ অমদি শোয়দনা ওইগনি গ্রুপ জি অসিদা।




## জপানগী কৈ নিসিকোরি অমসুং দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকী ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিসকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী প্রি–ক্কার্টর য়ৌখ্রে

*পেরিস, জুন ০১ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী সিঙ্গলস মেটচশিং মায় পাক্তুনা জপানগী কৈ নিসিকোরি অমসুং দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকী প্রি–ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী সিঙ্গলসকী ১৯শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্মু লৈবাক ফ্রান্সকী গাইল সাইমোনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট জপানগী কৈ নিসিকোরিনা ফ্রান্সকী গাইল সাইমোনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা নিসিকোরিনা সাইমোনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদু ৬–৩ দা থোইদুনা নিসিকোরি প্রি–ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীনা ফ্রান্সকী পাওলিন পারমেন্টিয়রবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট ৱোজনিয়াকীনা পারমেন্টিয়রগী সার্ভিস গেম অহুমক ব্রেক তৌদুনা ৬–০ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা ফ্রান্সকী পাওলিন পারমেন্টিয়রগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখ্রবসু দেনমার্ককী ৱোজনিয়াকীনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইদুনা প্রি–ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী মেডিসন কিজনা ২১শুবা সিদেদ জপানগী নাওমী ওসাকাবু ৬–১, ৭–৬(৯–৭) দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা রোমানিয়াগী মিহেলা বুজারনেস্কুনা ৪শুবাসিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী ইলিনা স্বিটোলিনাবু ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা প্রি–ক্কার্টর পাইনেল য়ৌখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা অনীশুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ২৬শুবা সিদেদ বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই দামির ঝুমহুরবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–২, ৩–৬, ৪–৬, ৭–৬(৭–৩), ৭–৫ দা থোইদুনা প্রি–ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী ফর্নান্দো ভরদাস্কোনা ৪শুবা সিদেদ বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভপু ৭–৬(৭–৪), ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা প্রি–ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ২০শুবাসিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ১৩শুবা সিদেদ স্পেনগী রোবার্টো বুষ্টা আগুটপু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৬–৭(৬–৮), ৭–৬(৭–৪), ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখি।



*ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী প্রি–ক্কার্টর য়ৌখ্রবা জপানগী নিসিকোরি (ওই) অমদি দেনমার্ককী ৱোজনিয়াকী*